নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল চিলদ্রেন এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর) অমদি মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ফোর চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কসোপ ওন জোইন্ট এক্সন প্লান ওন প্রিবেন্সন ওফ দ্রগ এন্দ সবষ্টেন্সেস এমোং চিলদ্রেন এন্দ ইলিসিট ত্রাফিকিংগী মতাংদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ফোর চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎপম মনিবাবু, ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিসনর খুমন্থেম দাইনা (আই এ এস), এম সী পি সী আরগী মেম্বর সেক্রেটরি রেগিনা হোংরে (এম সী এস), সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উতম (এম সী এস) অমসুং সোসল ৱেলফ্যেরগী জোইন্ট দিরেক্টর বন্তি কোন্থৌজম (এম সী এস) না মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা ফুরাইলাৎপম মনিবাবুনা হায়খিবদা মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমদা দ্রগকী মায়োক্তা অচৌবা লাম্থেং অমা মায়োক্লরি। লৈবাক অসিগী ওইনা চহী ১৮ শুরবা মীওইশিংনা অঙ্কোহোলগী শরুক শীজিন্নবদা অয়াবা পীরি। মসিনা মরম ওইরগা নহা কয়া ময়ায় কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। ময়ায় কাবা চিঞ্জাক চাবা নহাশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিবা মখৈ খুন্নাই অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং হেনগৎলক্কনি অমদি শেন থুমগী ফীভম শোকচিলহল্লকপগা লোয়ননা চাওখৎ খোঙথাংদা থিন্থনবা অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা কম্মিসন অমা লিংদুনা থবক তৌবা হৌহনখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু কম্মিসন অসিনা ৱার ওন দ্রগকী থবক থৌরমদা মতেং পাঙশিনবগা লোয়ননা নহাশিংবু ময়ায় কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকহন্নবা হোৎনরি। মরুওইনা এদ্যুকেসন, কলচর অমদি স্পোর্টসতা য়ুম্ফম ওইরগা নহাশিং অসিবু ময়ায় কাবা চিঞ্জাকশিংদগী লাপথোকহন্নবা পান্দম থম্লি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মথং থাদগী হৌরগা স্কুল স্কুলশিংদা তম্লিবা ক্লাস নাইনগী মথক্তা লৈবা মহৈরোয়শিং মেদিকেল টেষ্ট তৌবা হৌরগনি অমদি অরানবা লম্বীদা চৎখিদনবা এৱার্নেস কয়া পীরগনি হায়খি।

ইপা ইপুগী মীরেলপুং শাবদা লৈঙাক্না মতেং পাঙনবা পুক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : অন্দমান্দ অমসুং নিকোবরদা শিখিবা মণিপুরগী থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংগী মীরেলপুং অমা শানবা হোৎনরিবাঅসিদা মণিপুর লৈঙাক্না অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা মতেং পাঙহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অন্দমান্দ লৈঙাক্নসু হীরম অসিদা মিৎয়েং চঙবীনবা প্রিজার্বেসন কম্মিটি ওফ দিপোর্টেদ মণিপুরী ৱার হেরোস ইন অন্দমান্দ এন্দ নিকোবরগী জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম নবকান্তনা আপিল তৌরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা নবকান্তনা মখা তানা হায়, লুপ অসিনা সাউথ অন্দমান্দদা লমদম অসিগী ইপা ইপুশিংগী মীরেলপুং অমা শানবা হোৎনরিবা অসি লন্নাইগী ওইবা থবক নত্তে। লমদম অসিগী মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা তুং কোয়না লৈহৌনবগীদমক হোৎনবনি। মসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাঙবীয়ু। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী নিংশিং খুভম অমা অন্দমান্দদা থম্বা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং মশক খঙহনবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তায় হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হন্দক লুপ অসিনা সাউথ অন্দমান্দদা চৎলুবা খোঙচৎ অদুদা লমদম অসিদগী হৌখিবা মফম অদুদা থৱায় থাখিবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎসু তল্লমখি হায়রি।

মীওই ১ হাৎলুবগীদমক মীয়াই চল্লবা ২...

*লামায় ১গী মখা...*থৌদোক থোকখিবা মতমদুদা মখোয় অনীগী চহী মথংশিংনা ৫১ অমসুং ৪৬ খক্তমক শুখিবনি। অদুবু ঙসি মখোয় অনীবু থৌদোক অসিগী কেসকা মরী লৈননা কোর্টনা ফাদোক পীরে হায়দুনা লাউথোকপা নুমিৎতদি মখোয় অনীগী চহী ৬৭ অমসুং ৫৬ শুরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী অপোকপা দল্লিয়ু মনিনা মথংগী নুমিৎ জুন ২৭, ২০০৬কী অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা মোইরাং পি এসতা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না আই পি সী সেক্সন ৩০২, ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৪২ (৬) ২০০৬ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা লৈখিদ্রবগী হকচাং নুমিৎ অসিমক্তদা রিমসকী মোর্চ্যুৱরিদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবনি।

কেস অসি লৌখৎলকপগা মরী লৈননা চেন্নরিবা মীওই অনীমক জুলাই ১, ২০০৬তা পুলিসনা থাঙ অমগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফাদোক পীরবা মখোয় অনীগী মনুংদগী এন কুমারনা ফোঙদোরকখিবদা নুমিৎ অদুদা মখোয় অনী লাইবুংগা নক্ননা লৈবা গোধোর কৌবা মীওই অমগী বেন্দরদা য়ু থকমিন্নবনি হায়রি। তাঞ্জাদুদা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু লাক্সা লাক্তুনা কৌথোক্লুবদগী মখোয় মশেলগী মরক্তা খৎন-চৈনবা হৌরকখিবনি। ফৃনরকপদগী লাক্সা মফম অদুদগী চেনখিদুনা ওইনাম ইবুংঙো কৌবা মীওই অমগী দুকান ওইনসু ফম্বা হোটেল অমদা চেনশিনখি অদুবু য়াইমনা কুমারগা লোয়ননা মহাকপু ফারবা মতুংদা মঙকশমদা থাঙনা য়ানবা অমসুং লেন্দুনা শোকহনখিবনি হায়রি।

কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা চাজ শীট থাগৎলক্লুবা মতুংদা ৱায়েল চথবা হৌরকখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েলদা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী দল্লিয়ু লক্সমিসু ৱিটনেস ওইনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীখি।

কেস অসিগী ৱায়েলদা অপূনবা ৱিটনেস ১৪গী মনুংদা ১১না ষ্টেটমেন্ট পীখি। লোয়ননা মমাঙ থাগী ১৭ অমসুং থা অসিগী ১ অমসুং ৯দা কেস অসিগী হিয়ারিংশিং পাঙথোক্লুবা মতুংদা রিজ র্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এল দেনি মীতৈনা লেপখি অদুগা ফাদোক পীরবা মীওই অনীসিগী মায়কৈদনা এদভোকেট এ কুমারজিৎনা লেপখি।

ঙসি কেস অসিগী ৱায়েল লাউথোকপদা ফাদোক পীরবা মখোয় অনীসু কোর্টতা লাকখি। অদুবু মখোয় অনীবু কেস অসিগা মরী লৈননা ফাদোক পীবদগী বিষ্ণুপুর পুলিসকী টিম অমনা মখোয়বু মণিপুর সেন্ত্রেল জেল শজিৱা তম্না থিনখিবনি। অদুগা মখোয় অনীনা ফাদোক লৈগদবা মতমশিং লেপথোক্লবগী সেন্টেন্স হিয়ারিংনা মথং থাগী ৪দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পি এম জি কে এ ৱাইগী ফ্রী...

লামায় ১গী মখা... পেন্দমিক মায়োক্ন বা হৌরকপদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না অখন্ননা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না পীবা হৌরকখিবনি। অদুবু স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী কার্দ পায়বা ইমুংশিংগী মীওইশিংদা থা ৩ শাংদোকহল্লক্তুনা দিসেম্বর ফাওবদা লেম্না চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ পীগদৌরিবা অসিনা চাউরাক্না লুপা ক্রোর লিশীং ৪৪ রোম চাদিং তৌরগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিনা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীয়ামগী মায়থোঙশিং মোমোন নোকহনবা ঙল্লগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ফ্রী রেসন স্কিম অসিবু মীয়ামগীদমক খল্লগা থা ৩ শাংদোকহল্লকখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (কন্সুর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ) পিয়ুস গোয়লনা সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকপা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিগী ক্রোর ৮০ রোমগী মীয়াম্না হায়রিবা খুদোংচাবা অসি মখা তানা ফংলগনি হায়বগা লোয়ননা মসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ময়াম্বনা এস টি ওইরগা...

লামায় ১গী মখা... ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা ইপাথৌকোক্কী হান্নগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা এস টি দি সী এমনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মপূং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্নসু অথুবা মতমদা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাগদবনি। খোঙজং অসি ঐখোয়গী শক্তম কন্নবা খোঙজংনি মীয়াম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগদবনি হায়রদুনা চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা ঐখোয়গা মচিন মনাওনি হায়দুনা মখোয়না ময়াম্বা ওইদুনা এস টি লিষ্টতা চল্লগা মনাও ওইরিবশিংনা মতৌ করম্না লিষ্ট অসিদা চল্লোইদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংখি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা কেবিনেটে মীফমনা অয়াবা লৌদুনা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাবীগদবনি হায়খি।

পি এফ আই ১সুং মপাংশিং চহী ৫গী ওইনা ...

লামায় ১গী মখা... ভাসিষ্টানা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না পি এফ আই অসি সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্ট, ১৮৬০ (২১ ওফ ১৮৬০) গী মখাদা দেল্লীদা রেজিষ্ট্রেসন (নম্বর এস/২২৬/দিষ্ট্রিক্ট সাউথ/২০১০) তৌবনি। অদুগা ফ্রন্ট অসিগী এসোসিএট ওইবা নৎত্রগা মসিদা এফিলিএট তৌবশিংগী মনুংদা রিহেব ইন্দিয়া ফাউন্দেসন (আর আই এফ), কেম্পস ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (সী এফ আই), ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিল (এ আই আই সী), নেসনল কনফিদরেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাসজেসন (এন সী ঐচ আর ও), নেসনল ৱিমেন্স ফ্রন্ট, জুনিয়র ফ্রন্ট, এম্পৱার ফাউন্দেসন ইন্দিয়া অমসুং কেরলাগী রিহেব ফাউন্দেসননচিংবসু য়াওরি।

পি এফ আই অমসুং মহাক্কী মপাংশিং অসিবু বাংলাদেশ লৈঙাক্না অথিংবা থম্লিবা জমাদ-উল-মোহাজিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম) গা মরী লৈনৈ অমসুং পি এফ আইগী ফাউন্দিং মেম্বরশিং অসি ষ্টুদেন্টস ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এস আই এম আই) গী লুচিংবশিংনি হায়বনচিংবা মরাল শীরি।

লোয়ননা থা অসিগী ২২দা লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমা ওইরিবা এন আই এনা মণিপুর য়াওনা উত্তর প্রদেশ, কর্ণাটকা, গুজরাট, দেল্লী, মহারাষ্ট্র, অসাম অমসুং মধ্য প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদা চপ মান্নবা পুংফমদা পি এফ আইগী ওফিসশিং অমসুং মখোয়গী লুচিংবশিংগী য়ূমশিংদা রেদ চথখিবগা লোয়ননা ফ্রন্ট অসিগী এক্টিভিষ্টশিং য়াওনা লিদর ১০৬ ফাগৎখিবগা লোয়ননা মখোয়না লৈবাক অসিদা টেরর এক্টিভিটিশিং চথবদা মতেং পাংলে হায়দুনা মরাল শীখিবনি।

মরমশিং অসিনা পি এফ আই অমসুং মসিগী মপাং ওর্গনাইজেসনশিং নৎত্রগা মসিদা এফিলিএট তৌবা ফ্রন্টনচিংবশিং অসি অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭কী মখাদা চহী ৫গী ওইনা অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায় কোর্টতা অমুক্কসু...

লামায় ১গী মখা... পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নরগা এম এল এ উসম দেবেনবু বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপগী ওর্দর অদু অহানবদা মতম খরগী ওইনা চৎনহন্দনা থমখি। লোয়ননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌবগা লোয়ননা মখা তাবা ৱায়েল চথরক্লগা মমাঙ থাগী ১১দা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা এম এল এ উসম দেবেনবু বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা ওর্দর অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনখিদে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা বোর্দ অসিগী অনৌবা চ্যেরমেন হাপ্পকপগী ওর্দর অদু চৎনহনখিদ্রবা মতুং থা অসিগী ৯দা হান্নগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরদা শো কোজ নোটিস অমা পীরকখি। নোটিস অসি পীরকপগী মতুংইন্না এল রাধাকিশোরগী মায়কৈদগীসু থা অসিগী ১৬তা মসিগী চপ চাবা পাউখুমশিং এনক্লোজরশিংগা লোয়ননা পীখি।

অদুবু শো কোজ নোটিসকী পাউখুম পীখ্রবা মতুং নুমিৎ মঙানি শুরকপা থা অসিগী ২০দা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ওর্দর অনীখক থোরকখি। অহানবা ওর্দরনা হান্নগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরবু এম পি সী বিগী চ্যেরমেন ওইবদগী টর্মিনেট তৌরে হায়রকখিবনি অদুগা অতোপ্পা ওর্দর অমনা হান্নগী চ্যেরমেন অসিবু পোষ্ট অসিদগী লৌথোকখ্রবনিনা হাঙদুনা লৈরবা বোর্দ অসিগী চ্যেরমেনগী ফমদা এম এল এ ডা. উসম দেবেনবু চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এম এল এ অসিবু অহানবদা জুলাই ১৪, ২০২২দা এপোইমেন্ট পীখ্রবনি অদুবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওর্দর অদু ক্বাশ তৌখিবদগী অনীরকশুবা ওইনা থা অসিগী ২০দা অমুক হন্না এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি।

অদুম ওইনমক থা অগিসী ২০দা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ) না তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দর অনীমক হান্নগী চ্যেরমেন অসিনা ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৮১০ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরক্তুনা চেলেঞ্জ অমুক হন্না তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা মহাকপু বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইবদগী টর্মিনেট তৌরকপগী থোকখিবা ওর্দর অদু ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্টনা জুলাই ৮, ২০২১দা থোকখিবা নোটিফিকেসন/রুল অদুগী রুল ২ (৩) (বি) গী মায়োক্তনি, মহাক্তি জুলাই ৩০, ২০২১দগী চহী ৩গী ওইনা বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি। ওর্দর অদুসু ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্যুসন) এক্ট ১৯৭৪গী সেক্সন ৪গী মতুংইন্ননি হায়বসিনি।

অদুগা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিনা নুমিৎতুদা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা এম এল এ উসম দেবেনবু বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট অমুক হন্না পীরকখিবা ওর্দর অদুসু চৎনহনবীগনু হায়বসিনি।

পিটিস্নরনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অদু ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮১০ ওফ ২০২২ ওইনা লৌখৎখ্রে।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রোনা লেপ্পগা মহাকপু কাউন্সেল সয়েদ মুর্টাজা অহন্মদনা এসিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসি এদমিট তৌখিবগা লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিংদা নবেম্বর ১৬, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি। লোয়ননা নুমিৎ অসিমক্তদা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবগীদক অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অসিদা খ্বাইদগী পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি থা অসিগী ২০দা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চ্যেঞ্জ) না তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দর অনীদা মথংশিংনা হান্নগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরবু ফম অসিদগী টর্মিনেট তৌখিবা অমসুং এম এল এ উসম দেবেনবু বোর্দ অসিগী অনৌবা চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপগী ওর্দর অনীমক চৎনহন্দনা থম্লে (ষ্টে তৌরে) হায়না খঙহনখি।

পোপি থানবগীদমক উমং কোকথোকপীগনু...

*লামায় ১গী মখা...*চিঞ্জাক্তা লায়চুহন্নবগী মরমসু ওইরকই।

ৱাফম অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপ সব দিভিজনগী মনুং চল্লিবা এস খোলিয়ান (তিংক্যু ভিলেজ) দা চৎখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৪.৮ লোম চঙনা সোম্পি খুলদা শাগৎকদবা এম্যুজমেন্ট কম চিলদ্রেন পার্ককী উরেপ তমখিবা অমসুং কিলোমিটর ৩১.৭৮২ শাংবা হেংলেপ তিংক্যু-টিপাইমুখ লম্বী শেমগৎনবগীদমক উরেপ তমখিবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। কিলোমিটর ৩১.৭৮২ শাংবা লম্বী পরিং অসি লুপা ক্রোর ৭৫.৯৪ চঙনা ইমপ্রুভমেন্ট/অপগ্রেদেসন তৌগদবনি।

খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ৫৭.২৮ চঙনা হেংলেপ হায় স্কুলগী নৌনা শাবা ক্লাস রুম তরুক শঙ্গাখি অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী বেকৱার্দ ব্লোক দিভেলপমেন্ট ফন্দগী লুপা লাখ ৭৩.৬৭ চঙনা মেদিকেল অমসুং এদ্যুকেসন লোয়শঙগী ষ্টাফশিংগী নৌনা শাগৎখিবা ত্রাঞ্জিৎ ৱাটর অমসু শঙ্গাখি।

থৌরমশিং অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লৈঙাক্না গো টু হিলস মিসন হৌদোরকপনা চাওখৎ থৌরাংগী মরক্তা চীং অমসুং তমদা লৈরম্বা অহাঙবশিংগী মরক্তা শমজিন্নহন্নবা থোং অমা ওইহল্লে। মিসন অসি মহাক্না কুমজা ২০১৭তা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈঙাক পায়রকপদগী হৌদোকখিবনি। মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা গো টু হিলসকী থৌরমশিং লেপ্পুনা চথরকপগা লোয়ননা কেবিনেট মীফম ফাওবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মফমশিং অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা রিভিয়্যু তৌবগী থবকসু পাঙথোরক্লি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাকলোন অসি হ্যুমেনিটিদা য়ুম্ফম ওইবনি অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংনি হায়রদুনা মণিপুরবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবগীদমক ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈবা খেন্নবা অমসুং নুংশিনদবশিং থাদোক্লগা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নরসি হায়খি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টনা এম বি বি এসকী সিট ১০০ লৈবা মেদিকেল কোলেজ লৈরক্লবনা খ্বাইদগী লাইবক ফবা দিষ্ট্রিক্ট অমনি হায়খি। থৌরাং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী পোটেন্সিএলশিংবু শকখঙদুনা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়খি।

লোয়ননা মীয়াম্না মখল অমত্তগী বন্দ/ষ্ট্রাইকতগী লাপ্পা লৈবীয়ু। করিগুম্বা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরক্লবদি মদুবু লৈঙাক্তা খঙহনবীয়ু অদুগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানরগা ইস্যু খুদিংমক শন্তাইনবা পুরকপা ঙমগনি হায়খি। লৈঙাক্না লৌখৎলকপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

অদুগা টিপাইমুখ রোদ (এন ঐচ-১৫০) গী মতাংদা পল্লদুনা লম্বী অসি দবল লেন্দ ওইহন্নবা পাকথোরকপদা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা কম্পেন্সেসন লৌররোই হায়বগী অয়াবা পীরক্লবনিনা লম্বী অসিবু দবল লেন্দ ওইনা পাকথোকহন্নবা এন ঐচ আই দি সী এলগী ওফিসলশিংদা হায়জখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুগা হেংলেপকী মীয়াম্না শোথরিবা অসিগীদমক য়েংলদুনা মসিগী হেদ ক্বার্টরদা এক্লব্যা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল (ঈ এম আর এস) অমসু থম্লগনি হায়খি।

লোয়ননা মফম অসিগী হেল্থ সেন্টর অমসুং কম্যুনিটি হোল অমা শাগৎনীংবগী ৱাফম মীয়াম্না ফোঙদোরকখিববু তারদুনা পি সেজোল ভিলেজদা হায়রিবশিং অসি শাগৎনবগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, লেটপাও হাওকিপ, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈ, হেংলেপকী এম এল এ লেটজামাং হাওকিপ লোয়নখি। অদুগা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগীনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, দেপ্যুটি কম্মিস্নর, চুড়াচান্দপুরগী এস পি অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিশিংসু ঙসিগী থৌরমশিংদা শরুক য়াখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.

Ref :- Mutation Case No. 448/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.
Ningthoujam Sanahanbi Devi W/o N. Mangi Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Nongthombam (N) R.K. (O) Maipakpi Devi W/o R.K. Krishnamangol Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -Pattadar

[illegible] / **NOTICE**
Sekmai, the 22/9/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 44-Loitang Sandhum Under Patta No. 114 (Old) 114/277 (New) Covered by c.s. Dag No. 260/1327 গী area 1.25 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai
HL-P/4283/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA, THOUBAL DIST

Ref :- Mutation Case No. 29/SDC/ICH Dt. 23/9/2022
Applicant :
1) Yumnam Ibemcha Devi D/o (L) Sh. Syamkishor
2) Shagolshem Ingobi Meitei S/o - do -
-Vs-
O.P. :
(L) Shagolshem Syamkishor Singh of Maibam Konjil.

[illegible] / **NOTICE**
28-9-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি মদুদি village No. 4-Maibam Konjil, Patta No. 226 (Old) 356 (New) Dag No. 29 Area .2550 hector, Phourel Class অসিগী Pattadar অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা ফোঙলকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই, হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Irong Chesaba
HL-P/3861/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 283/SDC/IW-L/2022.
1. Khangjarakpam Joychandra Singh S/o (L) Ibobi Singh of Lalambung Makhong Takhellambam Leikai.
2. - do - Khogendro Singh S/o (L) - do - of - do -
3. Marcony Khangjarakpam S/o Kh. Ranbir Singh of - do -
4. Ranjoy Khangjarakpam S/o - do - of - do - -Petitioners
-Vs-
(L) Khangjarakpam Ibobi Singh S/o (L) Mohon Singh of Lalambung Makhong Takhellambam Leikai.
(L) Khangjarakpam Ajitkumar Singh S/o (L) - do - of - do -
-OP/Party

[illegible] / **NOTICE**
27/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার খাংজ্রাপম ইবোবী সিংহ পীতা মৃত মোহোন সিংহ সাং লালাম্বুং মখোং তখেল্লম্বম লৈকাই অমসুং মৃ: পাট্টাদার খাংজ্রাকপম অজিতকুমার সিংহ পী: মৃ: মোহোন সিংহ সাং তথা অনীগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাটা নং ৩০, দাগ নং ২৮৪ গী এরিয়া ৩.০৮ চাওবা অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector:
IW:Lamsang
HL-P/4278/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 285/SDC/IW-L/2022.
1) Lairenlakpam Boney Singh S/o (L) Rajmohon Singh of Naoremthong Khumanthem Leikai.
2) - do - Sweety D/o (L) - do - of - do -
3) - do - Robert Singh S/o (L) - do - of - do - -Petitioners
-Vs-
(L) Keithellakpam (N) Lairenlakpam (O) Kamala Devi W/o (L) Kalimohon Singh of Uripok Naoremthong Khumanthem Leikai.
-OP/Party

[illegible] / **NOTICE**
28/09/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি কৈথেল্লাকপম নিংঙোল লাইরেল্লাকপম ওংবী কমালা দেবী পতি মৃ: কালিমোহোন সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোং খুমনথেম লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাটা নং ১৫২ দাগ নং ১০২৪ এরিয়া ১.৩৫ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector:
IW:Lamsang
HL-P/3864/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 626 of 2022.
(1) Konjengbam Mocha Singh S/o (L) Yaima Singh Kwakeithel Konjeng Leikai.
(2) - do - Anandtakumar Singh S/o - do - of - do -
(3) - do - Mani Devi D/o - do - of - do -
(4) - do - Sunibala Devi D/o - do - of - do -
(5) - do - Mala Devi D/o - do - of - do -
(6) - do - Renu Devi D/o - do - of - do -
Share Portion of 3, 4, 5 & 6 = .06 acre out of c.s dag No. 258
-Petitioners
-Vs-
(1) (L) Konjengbam Yaima Singh S/o (L) Tolmu Singh of Konjeng Leikai.
(2) (L) - do - Chonjon Singh S/o - do - of - do. -OPP

[illegible] / **NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 27/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং ... (অরিবা) 94 (New) (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 191 & 258 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.95 & 0.36 একর। হেক্টর চাওবা ইখোল & লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 2/10/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/2867/02

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 566/SDC/SWG of 2022.
Parties:-
Haobam Purnimashi Devi W/o (L) H. Biren Singh of Top Awang Leikai. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar:-
Haobam Iboton Singh S/o (L) Chaoba Singh of Top Dusera.
-Opposite Parties

[illegible] / **NOTICE**
Sawombung, the 28th Sept., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন: ৩৭-সজেব পাট্টা ন: ৫৫ (অরিবা) ১১১ (অনৌবা) দাগ ন: ১২৭২ মোট এরিয়া .৬৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পট্টাদার হাওবম ইবোতোন সিংহ পীতা মৃ: চাওবা সিংহ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East
HL-P/4288/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 627 of 2022.
(1) Langpoklakpam Binoy Meitei S/o (L) Rajdhon Meitei of Kwakeithel Konjeng Leikai (.08721 acre)
(2) - do - Gunindro Singh S/o - do - of - do - (.08734 acre)
-Petitioners
-Vs-
(L) Langpoklakpam (O) Bhanu Devi W/o (L) Rajdhon Singh of Konjeng Leikai. -OPP

[illegible] / **NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 27th Sept. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং ... (অরিবা) 313/705 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1252 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.17455 একর। হেক্টর চাওবা ইখোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 2/10/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/2867/02

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 628 of 2022.
Arambam Angoutombi Devi W/o (L) Wangkhem Dhabali Singh of Mongsangei Mamang Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Wangkhem Dhabali Singh S/o (L) Ningthemjao Singh of Heirangoithong Makha Mongsangei. -OPP

[illegible] / **NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 27th Sept. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongsangei পাট্টা নং ... (অরিবা) 51, 225/755, 103/801, 276/517 & 502/1404 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1013, 1254/1716, 1028/1745, 1027, 1508/1668 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.70, 0.65, 0.31, 0.45 & 0.155 একর। হেক্টর চাওবা ইখোল & লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 2/10/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/2867/02

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 512/SDC/M Dated:- 27/9/2022
Lienngam Gangte S/o Paominthang Gangte of Bunglon Village.
-Petitioner
-Vs-
(L) Kamkholen Gangte S/o (L) Kamkhupao Gangte of Bunglon
-OPP

[illegible] / **NOTICE**
Moirang, the 28th Sept., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খা লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৭৬১ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ১৩৫ অমসুং ১৩৯ এরিয়া ১.২৫ + ০.৪৫ = ১.৭০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি ইমুং মনুং মচানা মীং (নামা) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Moirang
HL-P/4286/29